# গুরমিট রাম রহিম অমদি অতোপ্পা মীওই অহুম জর্নেলিষ্ট হাৎপগী মরালদা মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লৈবগী ৱায়েল পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): সী বি আইগী স্পেসল কোর্ট অমনা দেরা সটচা সোদা লূপকী লুচিংবা গুরমিট রাম রহিম সিংহ য়াওনা অতোপ্পা মীওই অহুমগা লোয়ননা জর্নেলিষ্ট রাম চন্দর সত্রপতি মীহাৎতা চেন্নে হায়দুনা মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লৈবগী ৱায়েল পীখ্রে।

সী বি আইগী স্পেসল কোর্ট অদুনা গুরমিট রাম রহিম য়াওনা কুলদিপ সিংহ, নির্মন সিংহ অমসুং কৃষন লালবু মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লৈবগী ৱায়েল পীখিবনি। কোর্ট অদুনা মখোয় মরিমক্তা শেলগী ফাইন ওইনা লুপা লিশিং ৫০/৫০ পীনবসু হায়খি।

সী বি আইগী স্পেসল কোর্ট অদুনা মরাল লৈরবা মীওই মরি অদুগী অরোইবা ৱায়েল অদু ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা পীরকপনি। নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা হরিয়ানাগী সিটি পঞ্চকুলাদা সী বি আইগী স্পেসল কোর্ট অদুনা জর্নেলিষ্ট রাম চন্দর হাৎপদা চেন্নে হায়না দেরা সটচা সোদাগী লুচিংবা গুরমিট রাম রহিম সিংহ অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুম মরাল পীখিবনি।

জর্নেলিষ্ট সত্রপতিগী মচানুপানা ফোঙদোরকপদা, সী বি আইগী স্পেসল কোর্ট অদুনা পীখিবা ৱায়েল অদু অচুম্বনা মায় পাক্লে হায়বা তাঙ্ককনি। মমাঙদা পেন্দবা লৈরম্বা খুদিংমক পুমকোক কোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা মহাক্কী লোয়রগা লোয়ননা মরাল লৈবা মখোয় মরিবু কেপিটেল পনিসমেন্ট পীবীনবা তকশিনখিবনি। অদুবু সী বি আইগী স্পেসল কোর্ট অদুনা মরাল লৈরবা মরিমক মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লৈহনবগী ৱায়েল পীরকপা অদুদা পেন্দবা লৈতেহায়খি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০০২ গী ওক্টোবর থাদা জর্নেলিষ্ট রাম চন্দর সত্রপতিবু মহাক্কী ময়ুমগী থোঙ্গালদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অদু জর্নেলিষ্ট অদুনা গুরমিট রাম রহিমনা নুপী কয়া নমজা-নমথেকপগী থৌওং চত্থখি হায়না ষ্টেট অদুদা ফোঙবা পাউচেদা মহাক্কী চেরোল অমা য়াওখিবা অদুগী মতুংদা থোকখিবনি।

জর্নেলিষ্ট সত্রপতিগী ইমুং-মনুংনা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টতা কুমজা ২০০৩ দা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা ট্রান্সফর তৌনবা তক্কদুনা লাকখিবনি। চহী ৪ গী মতুং কুমজা ২০০7 তা কেস অদু সী বি আইদা শিন্নরকখি।

নীংশিংবা য়াই, গুরমিট রাম রহিম সিংহ কুমজা ২০০২ দা মহাক্কী লাইনিং অদুগী মতুং ইনবী নুপী অনী রেপ তৌখিবগী মরালদা চহী ২০ গী মীয়াৎ তাদুনা লৈরিবনি। মশাগী চহী ৫০ শুরবা মহাক মশামক্না লাইগী পাঙ্গল লৈ হায়না ফোঙদোকচখিবা গুরমিট রাম রহিম কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্ট থাদা রেপ কেসতা চেন্নে হায়না মরাল পীরকপদগী ইন্দিয়াগী অৱাংথংবা ষ্টেটশিংদা চাউনা ঈরাং থোকখ্রবনি।

চহীসিগী জন্যুৱারী ১১ দা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টকী জজ জগদিব সিংহনা গুরমিট রাম রহিম অমসুং অতোপ্পা মীওই অহুম জর্নেলিষ্ট রাম চন্দর সত্রপতি মীহাৎতা চেন্নে হায়দুনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২ (মর্দর) অমসুং ১২০ বি (ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি)গী মখাদা মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লৈবগী ৱায়েল অদু পীখিবনি।

# এস সীনা কেরলা লৈঙাক্তা সবরিমালা লাইশঙদা চঙলকপা নুপীশিংদা সিক্যুরিটি পীনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কেরলা ষ্টেট লৈঙাক্তা ৱাথোক ওইরিবা সবরিমালা লাইশঙদা খুরুম্বা চঙলুবী নুপী অনীদা সিক্যুরিটি পীননবা খঙহল্লকখ্রে।

থা অসিগী ২ দা মশাগী চহী ৫০ গী মখাদা লৈবী কনাকা দুর্গা অমসুং বিন্দু অমিনিনা পুং ২৪ গী ওইবা পুলিস পর্সনেল পীবীনবা সুপ্রীম কোর্টতা আপিল তৌরকপনি।

মখোয় অনীনা সবরিমালা লাইশঙদা লাই খুরুম্বা চঙলুরবা মতুং তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ কয়াদগী কিহল্লকপা অমদি এটেক চত্থরকপা অদুগী মতুংদা মখোয়বু পুং ২৪ গী পুলিস প্রোটেক্সন পীবীয়ু হায়না হায় কোর্টতা চে থারকপনি।

নুপী অনীমক কেরলাগী কনুর দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মখোয় অনীনা সবরিমালাগী লাইশঙদা লোর্দ অয়াপ্পা খুরুম্বা পোৎচৈ পুদুনা চীং অদুদা কাখৎলকপদা নিলিমালাদা লাইশঙ অদুদা চহী ১০ দগীনা ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীশিং চঙবা য়াদে হায়বগী চৎনবী অদুবু শৌগৎপা মীওই কাঙলুপশিং অদুনা থৎতুনা য়ৌহনখিদবনি। মদুগী মতুং নুপী অনী অদুনা লাইশঙ অদুদা চঙদুনা লাই খুরুম্বা য়াহন্নবা হায়বগী মতাংদা হঙ্গর ষ্ট্রাইক ফাওবা তৌখি।

নুপী অনী অদুগী মনুংদা কনাকা দুর্গাবু মহাক্কী মনেমবোক্না জন্যুৱারী ২ গী অয়ুক অঙনবদা লাইশঙ অদুদা চঙলুরবা মতুং হল্লকপদা চৈনা কন্দুনা অশোক অপন নংহনখি। মখোয় অনীনা লাইশঙ অদুদা চঙলুরবা মতুং লাইশঙ অদু মাঙথোক্লে হায়না পুরোহিটনা শেংদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

মমাঙ চহীদা সুপ্রীম কোর্টনা সবরিমালা লাইশঙ অদুদা চহী কাঙলুপ খুদিংমক্কী নুপীশিং লাই খুরুম্বা চঙবা য়াই হায়বগী ওর্দর অমা পীখ্রবা মতুং অনৌবা থৌদোক অসি লাকপনি।

কেরলা লৈঙাক্না ঙসি সুপ্রীম কোর্টতা পীরকখিবা চেরোল অমদা মমাঙদা ফোঙদোকখিদ্রিবা পাউ অমা ওইনা সুপ্রীম কোর্টকী কুমজা ২০১৮ গী সেপ্টেম্বর ২৮ গী ওর্দর অদুগী মতুং হৌজিক ফাওবদা চহী ১০ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপী ৫১ না লাইশঙ অদুদা লাই খুরুম্বা চঙবা ঙমখি হায়না ফোঙদোরক্লি। থাগী খোংকাপ লাক্লিবী নুপীশিংনা লোর্দ অয়াপ্পা খুরুম্বা চঙবা য়াদে হায়বগী চৎনবী অদু সুপ্রীম কোর্টনা থুগায় হায়দুনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

# রাম মন্দিরগী পোলিটিক্স দিল্লি অমসুং লক্ষ্নৌগী এ সী রুমশিংদগী শান্নবনি : প্রকাস রাজ



বেঙ্গলুরু, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): মমিং লৈরবা ফিল্ম এক্টর প্রকাস রাজনা উত্তর প্রদেশতা রাম মন্দিরগী মতাংদা পোলিটিসিয়নশিংনা দিল্লি অমসুং লক্ষ্নৌগী এ সী য়ুমদগী শান্নরকপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ফোঙদোকপদা প্রকাস রাজনা বি জে পিগী মীওই অদুগী মশক মমিংদি ফোঙদোকখিদে।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা প্রকাস রাজনা হায়খিবদা, জর্নেলিষ্টশিংনা উত্তর প্রদেশকী অয়োধ্যাদা চৎতুনা হোলি টাউন হায়নসু খঙনরিবা অয়োধ্যাদা তীল্লিবা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং অদুনা উৎলিবা হৌন-লোনচৎশিং অদু খঙবা মথৌ তাই হায়খি। লাইনিংবশিং অদুনা ময়ুম লৈতনা সোড়োক্কী চিদাইদা য়ারেক্তুনা লৈরি। মহাক্না মীদিয়াগী মীওইশিং অদুদা অয়োধ্যাদা শাগদৌরিবা রাম মন্দির অদুগী ফীভম য়েংশিন্নবা চৎলু হায়খি। অদুগা করম্না মফম অদুদা লৈরিবা লাইনিংবশিং অদুনা পুন্সি লেল্লি হায়বগী ফীভম অদু খঙননবা ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী লোক সভাগী মীখলদা মীরেপ অমা ওইনা চোংথোক্ক-দৌরিবা প্রকাস রাজনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পিনা রাম রাজ্য ওইহনগনি হায়না মঙলিবা মঙলান অদু অরেম্বা তাগনি হায়খি।

সাউথকী মমিং লৈরবা এক্টর অমদি মুম্বাইদসু ফিল্ম কয়া কুম্বা ঙমখ্রবা প্রকাস রাজনা ২০১৯ গী লোক সভা মীখলদা বেঙ্গলুরু সেন্ট্রল কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মীরেপ ওইনা থোক্কদৌরিবনি।

মহাক্কী মাইকৈদগী পুথোকখিবা স্লোগান অমদা 'অবকি বার জনতা কি সরকার (হন্দক্তি মীয়ামগী লৈঙাক ওইরগনি)' হায়না ২০১৯ পার্লিয়ামেন্ট মীখলগীদমক শেম-শাবা হৌখি। মহাক মশামক ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইনা মীখল লম্বা তৌনগনি হায়খি।

কুমজা ২০০৯ দগী বেঙ্গলুরু সেন্ট্রল কনষ্টিট্যুএন্সি অদুগী সিট ফংদুনা লাক্লিবা বি জে পিগী পি সী মোহনগা হন্দক্কী অসিদা লম্বা থেংনগদৌরি।

প্রকাস রাজনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ফিল্ম এক্টর ওইরম্বদগী পোলিটিক্স য়াওরকখিবা মরুওইবা মীওই অহুমগী মনুং চল্লি। অতোপ্পা এক্টর অনী অদুদি, রাজনিকান্ত অমসুং কম্মল হাসননি।

প্রকাস রাজ এন্টি বি জে পি ওইবগী চপ চাবা খোঙফম লেপ্পুনা ঙম্বা মীওই অমনি হায়না লৌনরি। মদুগা লোয়ননা মহাক্না মহাক্কী মরুপ জর্নেলিষ্ট গৌরি লনকেসপু কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বর থাদা ময়ুমগী গেট মমাঙদা কাপ্পুনা হাৎখিবা অদুগী ৱায়েল অদুবুসু তকশিন্দুনা কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# লদাখকী এভলান্সকী থৌদোক্তা অশিবা হকচাং মরি ফংখ্রে, তরুক থিনবা কন্না হোৎনরি



স্রিনগর, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): লদাখকী খার্দুংলাদা এভলান্স থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১০ উন মনুংদা ফুমজিন্দুনা লৈখিবা অদু কন্নবা হোৎনবগী থবক্তা অশিবা হকচাং মরি ফংলে। অদুগা অতোপ্পা তরুক অমা থিনবা অকনবা থবক পায়খৎলি হায়না লদাখ ওটোনোমস হিল দিলভপমেন্ট কাউন্সীলনা ফোঙদোরকখ্রে।

কাউন্সীল অসিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং ডা. জিতেন্দ্র সিংহদা পাউ পীদুনা রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা মতেং পীনবা ফোঙদোকখি।

পাউগী এজেন্সী অমনা ফোঙদো-রকপগী মতুংইন্না, ঙসি অয়ুক অঙনবদা খার্দুংলাদগী উন লৌরুনবা টিপ্পর অনীগা স্কোর্পিও কার অমদা পুন্না মীওই ১২ না মফম অদুদা চঙখিবনি। টিপ্পর অমা উন হাপ্পা লোইরবা মতুং অতোপ্পা অমদুনা হাপ্লিন্দৈদা এভলান্স লাকপদগী অয়ুক পুং ৭ লোম তাবা মতমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও) গী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, বি আর ওগী মাইকৈদগী মী কনবদা শীজিন্নবা খুৎলায় কয়া পুশিন্দুনা অহেনবা পর্সনেলশিংগা লোয়ননা থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিনখিবনি। অদুবু ট্রক অদুদা তোংলকখিবশিং অদু মীচম নৎত্রগা সিক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেলশিংলা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং কাশ্মির দিভিজন্দা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট মাপনদা এভলান্স লাকপা য়াবগী ৱার্নিং ষ্টেট লৈঙাক্না পীখ্রবনি। এভলান্স য়াম্না তোয়না থোকপা আনন্তনাগ, কুলগাম, বুদগম, বরামুলা, কুপৱারা, বন্দিপোরা, গন্দরবল, কার্গিল অমসু লে দিষ্ট্রিক্টশিংদা অখন্নবা এভলান্সকী ৱার্নিং অদু পীখিবনি।

কাশ্মির দিভিজনল কম্মিস্নার বাসির খাননা থোকখিবা ওর্দর অমদা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংদা এভলান্স তোয়না থোকপা মফমশিং অদুদা চঙদনবা মফম অদুগী মীওইশিংদা খঙহন্নবা ফোঙদোকখ্রবনি।

মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংগী মতুংইন্না পীরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কাশ্মির তম্পাক্তা উন তাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলকখি। স্রিনগরদা উন তাবগী চাং অদু মিলি মিটর ৫.৪ ওইখি।

অৱাং কাশ্মিরগী গুলমার্গতা মিলি মিটর ১৫.২ গী উন তাখি। লোয়ননা সাউথ কাশ্মিরগী পহলগমদা মিলি মিটর ৯ অদুগা কুপৱারাদা মিলি মিটর ১৬.২ গী উন তাখি। মখা তানা মেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকপদা, কাশ্মির তম্পাক্তা জন্যুৱারী ১৯ দগী ২৩ ফাওবদা অহেনবা উন তাবা য়াবগী তাঞ্জা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

# স্পেস লমজেলদা চাইনাগা মান্নবা লৈরি : আই এস আর ও চ্যেরমেন



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) গী চ্যেরমেন কৈলাসাভাদিবু সিভননা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, স্পেসকী লমজেলদা চাইনাগা লেং মান্নবা ইন্দিয়াসু লৈরি হায়খ্রে।

টেক্নিকেলগী মাইকৈদা ইন্দিয়াগা চাইনাগা থাক মান্নরি। মহাক্কী ৱাফম অসি চহী অসিদা ইন্দিয়ানা চন্দ্রয়ান টু মিসন হৌদোক্লিঙৈগী মাঙওইননা চাইনাগী থাগী অমম্বা মাইকৈ অদুদা চাং ঈ-৪ লুনর প্রোব অমা তাহন্দুনা মালেমগী ওইবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবা অদুগী মতুংদা কে সিভননা ফোঙদোরকপনি।

ইন্দিয়াগী চন্দ্রয়ান টু মিসন অমসুং চাইনাগী রোবর অদুগী খেন্নবা ফোঙদোক্লদুনা সিভননা হায়খিবদা, চাইনাগী মাইকৈদগী থাগী অমম্বা মাইকৈ অদুদা মখোয়গী প্রোব অদু তাবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়ানা থাগী আর্থতগী উরিবা মাইকৈ অদুদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংনা য়ৌদ্রিবা মফম অমদা তাগদৌরিবনি হায়খি।

থাগী সাউথ পোলগা য়াম্না নক্লবা অদুদা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা চন্দ্রয়ান টু মিসন্না তাগদৌরিবনি। ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজে-সনগী মাইকৈদগী মী তোংবা স্পেস মিসন অমা ওইরিবা গগনয়ান মিসন অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা ফ্রান্স, রসিয়া অমসুং য়ু এস এগী নাসানা ইনি দয়াদা মতেং পীরক্লি। স্পেসকী লমদা মাঙজৌননা খুম্মাং চাউশিনবা ঙমখ্রবা লৈবাকশিং অদুনা পীরক্লিবা মতেংশিং অদু মপুং ফানা শীজিন্নগনি হায়খি।

আই এস আর ওগী প্রোগ্রামশিং অদু নহা ওইরিবা মীওইশিং অমদি মহৈরোয়শিংদা হেন্না খঙহন্নিংই। মহৈরোয়শিংনা য়ং সাইন্টিষ্ট প্রোগ্রামদা য়াওহন্নিংই। পনবা য়াবদি, মহৈরোয়শিংগী ওইবা সেটেলাইট অমা ওইরিবা কলাম সেট ইন্দিয়ানা লোঞ্চ তৌখ্রবনি। ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসনগী মাইকৈদগী থবক থৌরমশিং অদু হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দুনা শেমগৎপগী খোঙথাং কন্না চত্থরি। চহী অসিদা আই এস আর ওনা মিসন ৩২ পাঙথোক্কদৌরিবা অদু মায় পাক্লবা হোৎনরি।

## য়াম্না নুংঙাইজে Piles ফহনবীবগীদমক থাগৎচরি

চহী ১৩ Piles কী অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। শা-ঙা চারগনা ৱাবা হেল্লি। খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, শৌজগী অকোয়বদা চাথৎলগা থুপ্পা শাবা-চিকপা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, চক-চক থিনবা, হাক্কৎচবা, পুক নুংঙাইতবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজ নাম্ব্রগা ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, শৌজগী অকোয়বদা মচা-মচা পোমথোরল্লগা লৈবা, খ্বাঙ নাবা, চানিংবা পোক্তবনি। অদুবু ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হিদাক চাজবদগী শুপ্পগী নুমিৎ ১৮ নিদা মপুং ফানা Piles ফজখি। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*লায়েংবীরিবা :* ***Abdul Hak***

1. Wangoi SBI Awang : 6.30 a.m to 4 p.m. (Fri, Sat, Sun, Mon)
2. 7 MR Khabeisoi Gate - 10 a.m. to 4 pm. (Tue, Wed, Thurs).

*থাগৎচরিবী :* **W. MINA KUMARI**
**Thoubal Houkha**

HL-P/2900/19

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR BISHNUPUR, MANIPUR**

*Ref:- Mut. Case No. 9/SDC/Bishnupur of 2019*

Leishangthem Opendro Singh S/o (L) Shyamkiswor Singh of Toubul. -Petitioner

-Vrs-

1. Longjam Amubi Singh S/o
2. Longjam (N) Pishaktombi Devi D/o (L) Mera Singh
3. Elangbam Gulap Singh S/o Khoibungnao Singh of Toubul
4. Maibam (N) Yaimabi Devi D/o (L) Thambaljao Singh of Toubul. -O.Ps.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Bishnupur the 17th January, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 1. Longjam Amubi Singh

2. Longjam (N) Pishaktombi Devi D/o (L) Mera Singh

3. Elangbam Gulap Singh S/o Khoibungnao Singh of Toubul

4. Maibam (N) Yaimabi Devi D/o (L) Thambaljao Singh of Toubul দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং ১৯১ অরিবা, ৩৪৯ অনৌবা, সী এস দাগ নং ১২৮৫, এরিয়া একর ১.৭১ চাওবা লম Under Revenue Village No. 36 Toubul ফৌরেল লৌফম অসিগী মনুংদা ৪ নং পাট্টাদারিনি ওইরিবী Maibam (N) Yaimabi Devi D/o (L) Thambaljao Singh মশা মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নাম্মা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেশ মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Bishnupur, Manipur**

HL-P/3173/19

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG, MANIPUR**

***Ref:- Mutation Case No. 25/SDC/Moirang/2017***

Philem Iboyaima Singh S/o Late Ph. Chourjit Singh of Shreebond Leikai Moirang.

-VS-

Late Philem Chourjit Singh S/o (L) Ph. Kondumba Singh of Moirang Shreebond Leikai.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Moirang, the 17/01/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ২৭৬ (অরিবা) অমসুং ৩৮৫ (অনৌবা) সী. এস. দাগ নং ৪৯১২ অমসুং ৪৯৩১ এরিয়া ১.০৬ + ১.১২= ২.১৮ একর চাওবা লম-ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃত্তু পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎনি) গী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌবীয়ু, তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Moirang**

HL-P/3766/19

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু খুৎনা অমুক ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্থরকপা, শৌজ নাম্থবা অদুনা মরম ওইদুনা হক্চাংগী পাঙ্গল য়াম্না শোন্থরকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু খুৎনা অমুক ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্থরকপা, শৌজ নাম্থবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংগী পাঙ্গল য়াম্না শোন্থরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোং মপানদা চেকখায়রগা ঈ থোক্লকপা, চেকখায়বা মফম অদু য়াম্না চিকপা অমদি থুপ্পা, অমাঙথোং মপান্দা ফুরি মচা অমগুম্না পোমথোরকপা, পোমথোল্লগা লৈবা অদু মরক মরক্তা চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা চাবা থকপসু য়াদবা, চাবা তুমদবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক পংখোঙদা খোংবা, অমাঙথোংদা নুংশিৎ খায়দোকপা য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, খৌনাওদা ইফুন্দা ফুল্লগা শারি শারি তৌরগা লৈবগুম তৌবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপদা কপ্লাক মরি নাবা অমদি কোক ঙাওবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.
4. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba.

*থাগৎচরিবা :* **I. WILLSON SINGH**
*Porompat*

HL-P/3129/19

# রাহুল গান্ধীনা মমতাগী কোলকাটাদা পাঙথোক্কদবা মেগা ওপোজিসন রেল্লি মতেং পাংগনি হায়খ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী): হয়েং কোলকাটাদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চীফ মিনিষ্টর তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিগী মেগা ওপোজিসন রেল্লি অদুদা মতেং পাংগনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

মমতা বেনর্জিগী মেগা রেল্লি অদুনা অপূনবা ইন্দিয়া অমগী শক্তম অদু মীয়ামদা য়ৌহনগদৌরিবনি। রাহুল গান্ধী মশামক হয়েংগী রেল্লি অদুদা শরুক য়ারোইদৌরি। অদুবু লোক সভাদা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইরিবা মালিকঅর্জুন খার্গেবু মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মীয়াম্না গ্রান্দ ওল্ড পার্টি হায়না খঙনরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী মীহুৎ ওইগদৌরি।

মমতা বেনর্জিদা ইখিবা চেরোল অমদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেসকী পান্দমশিং অদুবু পুখৎনবা হোৎনবদা পুৱারীদগী হৌদুনা মাঙজিল থাদুনা লাক্লুবা বেঙ্গোলগী থৌনা ফবা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মমতাজিগী মেগা ওপোজিসন রেল্লি অদুবু থৱায় হকচাং য়াওনা সপোর্ট তৌই। রেল্লি অদুনা অপূনবা ইন্দিয়া অমা লৈরি হায়বা অদু লৈঙাক পায়রিবা অমদি অতোপ্পা মীয়ামদা চাউনা পাউ অমা য়ৌহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

অশেংবা নেসনেলিজমদা থাজবা থল্লিবা বি জে পিগী মায়োক্তা লৈরিবা ওপোজিসন পার্টি খুদিংমক্কী অপূনবা ৱাখল্লোননি। লৈবাক অসিগী অহেনবা চাউখৎ খোঙথাং চঙশিল্লকপদা দিমোক্রেসিগী, সোসল জষ্টিস অমসুং সেক্যুলরিজমগী মতাংদা মীয়াম্না মাঙজৌননা চাংয়েং তৌদুনা লৈরবা পার্টিশিং নত্তনা অতোপ্পা পার্টিনা শেমগৎপা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিদা ইখিবা চেরোল অদুদা নত্তনা গান্ধীনা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মদসু মোদি লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা মীয়ামদা লান্না ৱাশকখিবশিং অদুগী মায়োক্তা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা পুল্লি হায়বা উৎননবগী হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা রেল্লি অদুদা কোংগ্রেস পার্টি অমদি মহাক মশামক্না মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি। অপূনবা শাফু অসিনা লাইনিং, শেল-থুম খেন্নবা অমদি লৈফম মান্নদ্রবসু অপূনবা ইন্দিয়া অমগীদমক্তা অঙাং, নুপী অমসুং নুপা খুদিংমক্না ফোঙদোরক্লিবা অপাম্বশিং অদু অফবা ইন্দিয়া অমা হয়েং ফংবা ঙম্নবগীদমক শাফু অসিনা পীবা ঙমগদৌরি।

**গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া**
**মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট**
**(দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট**

## ভেকেন্সি সর্ক্যুলর

ডা. অম্বেদকর ইন্টরনেস্নল সেন্টর, দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট (দি/ও এস জে ঈ) গী দেপ্যুটেসন (সোর্ট টর্ম কন্ট্রেক্ট য়াওনা) বেসিসতা পে বেন্দ- পি বি-৪(লুপা ৩৭৪০০-৬৭০০০/- +জিপি লুপা ৮৭০০/- ওইগদবা ফাইনান্সিএল এদভাইজরগী ফম লৌজগনি। এপ্লিকেসন লৌশিনবগী অরোইবা তারিক ইমপ্লোইমেন্ট ন্যুজদা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবা তারিখতগী নুমিৎ ৪৫ নি ফাওবগী মনুংদনি।

অকুপ্পশিংগীদমকদি দি/ও সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্টগী ওফিসল ৱেবসাইট **www.socialjustice.nic.in.** তা ফোঙখিবা ভেকেন্সি সর্ক্যুলর য়েঙবীয়ু।

অন্দর সেক্রেটরি (এস সী দি-VI)

DAVP 38101/11/0085/1819

